# চাইনানা সিঞ্জিয়াং রিজনদা অমুক হন্না মিলিটরি পাঙ্গল উৎখ্রে



বৈজিং, মার্চ ০৩ :
চাইনানা রিজনেল কেপিটেলদা খুৎলায় মতীক চানা পায়বা পুলিস ১০,০০০ হেন্না থাদুনা, আরমর্দ ভেহিকল কলম কয়া অমসুং হেলিকোপ্টর কয়া ঙংহন্দুনা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা সিঞ্জিয়াং রিজনদা মিলিটরি পাঙ্গল অমুক হন্না উৎখ্রে।

গভর্ণমেন্টগী ন্যুজ ৱেবসাইট অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উরুমকি সিটিদা পাঙথোকখিবা এক্সরসাইজগী রিপোর্টশিং অমসুং ফোটোশিং ফোঙখি। লমদম অসিগী হন্দক্তা হাপখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেক্রেটরিনা লাণমীশিংদা মীয়ামগী অনৌবা লালদা হাৎপা 'টেররিষ্টশিংগী অশিবা হকচাংশিং ফুমজিন্নবা' কন্না আপিল তৌখ্রে হায়রি।

নোংথক্তা সার্কল শানা কোইলৈ লৈখিবা হেলিকোপ্টরশিং অমসুং আরমর্দ ভেহিকলশিং য়াওনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মপুং ফারবা রেলি অদু চহী অসিদা লমদম অদুদা অসিগুম্বা মখলগী মিলিটরি পাঙ্গল উৎপা য়ামদ্রবদা মরিরকশুবনি। হন্দক লমদম অদুদা মীশি-মীনা থোকহনবা ঈরাং হেনগৎলকখিবগী ফীভমদা ফোর্স উৎপা ওইনা অসিগুম্বা মাস দিসপ্লে অসি পাঙথোক্লিবনি।

সিঞ্জিয়াংগী পাক চাউরবা অমসুং চাংজৌ নাইদবা লৈতঙ্গাইগী লমদম অসিগী মফম খুদিংমক্তা খোঙজেল য়াংবা হেলিকোপ্টরশিংবু পেট্রোলিং তৌবা ঙমহনগদবা 'পুংনৌ নৌবা' এয়র-লেন্দ মেকানিজম অমগী শরুক ওইনা পিপলস আর্মদ পুলিস (পি এ পি) অমসুং মিলিটরি হেলিকোপ্টরশিং লোয়ননা সিভিল্যান এয়রক্রাফট ১০ না ফোর্সশিংদু পুখিবনি' হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী ৱেবসাইটতা থাগৎপা নোটিশ অমনা হায়খি।

পেট্রোলশিং অদুগী মতাংদা মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে। অয়াম্বনা মুস্লিম উইঘুর ইথনিক মাইনোরিটি লৈবা সিঞ্জিয়াংদা হন্দক চহী খরসিদা চথখিবা এটেকশিংদা মীওই চা কয়া শিখ্রে।

চাইনাদা মখোয়গী ফিরাল চিংখৎকনি অমসুং ঈগী তুরেলশিং চেলহনগনি হায়না চেৎনা ৱাশক্লিবা ইথনিক উইঘুর ফাইটরশিংনা ইরাক্তা ট্রেনিং তৌবা উৎপা ভিদিও অমা চয়োল অসিদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা রিলিজ তৌখি। ভিদিও অদু সিঞ্জিয়াংদা চাইনিজ মিলিটরি, পুলিসনা খ্বাইদগী নৌবা মাস রেলি পাঙথোকখিবা নুমিৎমক্তদা রিলিজ তৌখি।

# জর্মনিদা মুস্লিম মহৈরোয়শিংনা লাই খুরুম্বদা অথিংবা থমখ্রে



ৰুপ্পরটাল, মার্চ ০৩ : জর্মনিগী নোংচুপ থংবা সিটি ৰুপ্পরটালদা লৈবা হায় স্কুল অমনা মুস্লিম মহৈরোয়শিংবু স্কুলগী প্রেমিসিজগী মনুং চন্না লাই খুরুম্বদা অথিংবা থমখ্রে।

জিমনেজিয়ম জোহান্নেস রাউ স্কুলগী ওজাশিংদা সাক্যুলর অমা থোক্তুনা স্কুলদা মুস্লিম মহৈরোয়শিংনা লাই খুরুম্বগী কেসশিং থেংনরবদি মহৈরোয়শিংদুগী মমিংশিং খঙদোক্লগা মেনেজমেন্টদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহনখিবনি হায়রি।

মখা তারদুনা সাক্যুলর অদুদা অথিংবদু মহৈরোয়শিংদা মরূপ-মপাং ওইবগী মওংদা চৎহনগদবনি হায়না পনখি হায়রি।

'হন্দক চয়োল খরসিদা স্কুল অদুগী মুস্লিম মহৈরোয়শিংনা মী অতৈনা ইরায় লায়না উবা ফংবা মওংদা লাই খুরুম্নখি। মদু মখোয়না টোইলেটশিংদা চঙদুনা চৎনবীগী মওং অমদা হামদোক-চামথোকপা তৌবা, লৈমায়দা লাই খুরুম্নবগী ফকশিং তিংথোকপা অমসুং তোঙানবা হকচাংগী ফীভমদা লৈবদগী অউবশিংনা লাইনা খঙবা ঙমই। মসি অয়াবা পীদ্রে' হায়না দি দল্লিয়ু ন্যুজনা দোক্যুমেন্ট অদুবু পল্লদুনা হায়খি।

জর্মনিদা স্কুল অমনা মুস্লিম মহৈরোয়শিংদা লাইখুরুম্বা লেপ্পবা হায়বসি মসিনা অহানবা নত্তে। হৌখিবা কুম্মজা ২০১১ দা বর্লিন-বেদ্দিংদগী হায় স্কুলগী মহৈরোয় অমনা মীয়াম মমাঙদা লাইখুরুম্বা য়াহন্দনবগীদমক্ত কোর্ট অমদা ৱাকৎখি। মহাক্কী লাই খুরুম্বগী থৌওং অদুনা স্কুলগী ঈং-চিকপগী ফীভমদা অকায়বা পীগনি হায়রদুনা মহাক্কী ৱাকৎ অদু জর্মনিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি।

# সিরিয়ন ক্রুপশিংনা পালমিরা সিটি অমুক হন্না খুদুম চনখ্রে



দমাস্কস, মার্চ ০৩ :
জিহাদিষ্টশিংবু অতোপ্পা চৈথেং অমা নংহনবা খোঙথাং অমদা রসিয়ন জেটশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন ক্রুপশিংনা লৈবাক অসিগী হিষ্টোরিক সিটি পালমিরাবু শগোলশেল নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুৎতগী অমুক হন্না মপুং ফানা খুদুম চনখ্রে।

মীচং মোস্কোগী জেটশিংনা চথবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অমসুং গ্রাউন্দ ক্রুপশিংগী সপোর্টনা মপাঙ্গল হাপ্লবা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা চয়োল কয়ামুক দেজর্টতা অকনবা লাল শোক্লরবা মতুংদা পালমিরা য়ৌখিবনি।

সিরিয়াগী চহী তরুক চূপ্পা চথরকখিবা সিভিল ৱার মনুংদা মমাঙঙৈগী ওসিস সিটি অদুগী কন্ট্রোলগী খুৎ কয়ারক হোংখিবগা লোয়ননা সিটি অসি আই এসনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা গ্রুপ অসিনা মমল নাইদ্রবা কলচরেল হেরিটেজবু তমথীবা মওংদা অতম্ননা মাঙহন-তাকহনবগী সিম্বল অমা ওইরকখি।

পালমিরাবু অমুক হন্না পায়শিনবগী পাউদু রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গৈ সোইগুনা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা তমখি হায়না মোস্কোদা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন অমনা ন্যুজ এজেন্সিশিংদা ফোঙদোকখি।

বৃটেনদা বেজ ওইবা মোনিটরিং গ্রুপ ওইরিবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি জিহাদিষ্টশিং দেজর্ট সিটিদুদগী মপুং ফানা ৱিঠদ্রো তৌখ্রে তৌইগুম্বসুং মখোয়না মফম কয়াদা মাইনশিং ফুল্লমখি।

'সিরিয়ন আর্মিনা হৌজিকসু সিটিগী নৈবরহুদশিংদগী মাইনশিং লৌথোক্লি অমসুং মখোয় সিটি অপুম্বদা চাইথোক্তনা লৈরি' হায়না ৱার মোনিটর অসিগী দিরেক্টর রামি অব্দেল রহমননা ফোঙদোকখি।

# পাকিস্তাননা দিওবন্দি স্কুলশিং থিংজিনবদা মিৎয়েং থমগদবনি : য়ু এস কোংগ্রেসমেন



ৱাশিংটন, মার্চ ০৩ :
পাকিস্তাননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা দিওবন্দি মদ্রাসাশিং থিংজিনবগী ৱাফম লুম্না লৌগদবনি হায়না য়ু এসকী হীরম কয়াদা ঈথিল পীবা ঙম্বা লোমেকর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লোমেকর অসিগী ৱাফমসিনা হৌজিক কোংগ্রেস অমসুং ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা অসিগুম্বা স্কুলশিং অসি টেররিষ্টশিংগী হৌরকফমনি হায়বগী সেন্টিমেন্ট অমা লৈ হায়বা উৎলি হায়রি।

'হৌজিক লৈরিবা সেন্টিমেন্টশিংদি পাকিস্তান্না দিওবন্দি স্কুলশিং থিংজিনবগী ৱাফম লুনা লৌগদবনি হায়বসিনি। পাকিস্তানদা অসিগুম্বা স্কুল ৬০০ রোম লৈ। মখোয়না সুপ্পগী জিহাদকীদমক্তা য়েৎপা নৎত্রগা জিহাদ পাঙথোকপা নত্তনা অতৈ করি তৌগনি হায়বা খঙদবা মীওই কয়া পুথোকই' হায়না ইন্দিয়াগী কেপিটেল ন্যু দিল্লিদা বেজ ওইবা ভিবেকানন্দ ইন্টরনেসনল ফাউন্দেসননা শগোলশেল নুমিৎতা য়ু এসকী কেপিটোলদা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অমদা কোংগ্রেসমেন ইদ রোইসনা হায়খি।

'পাকিস্তাননা এন ঈ টিগুম্বা গ্রুপশিংদা ক্রেকদাউন চথবা অমসুং কেম্পসশিং অদুবু থিংজিনবগী তঙাই ফদবা লৈ। করিগুম্বা মখোয়না টেররিষ্ট এটেকশিং চথরিবা কাঙবুশিংবু লোগী মতুং ইন্না ৱায়েল তৌদুনা চৈরাক পীবা ঙমদবা তারবদি মখোয়না টেররিষ্টশিংদুগী মতাংদা হেগতা রেস্পোন্সিবিলিটি শীন্নগদবনি অমসুং ইন্টরনেসনল ট্রাইব্যুনেলশিংনা ৱায়েল চথদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়বসি পাকিস্তান্না খঙবগী তঙাই ফদবা লৈ' হায়না পৱারফুল ওইরবা হাউস ফোরন রিলেসন্স কম্মিটিগী চ্যেরমেন অদুনা হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়ন-অমেরিকানশিংগী কোংগ্রেস্সেল কোক্কসকী ফাউন্দিং মেম্বর অমা ওইরিবা রোইসনা হায়খি, কোংগ্রেস অমসুং অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না অনৌবা ইস্যু খরদা মিৎয়েং থমই।

'ইস্যু অমদি ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০০ গী লল্লোন-ঈতিক্কী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবসিনি। মসিদা মিৎয়েং থমদুনা ঐখোয়না পোলিসীশিং পুথোক্লবা হোৎনরি। মরম অদুনা ঐখোয়না ইন্দিয়ানা মহয় য়ানগদবা বাইলেটরেল ট্রেদ এগ্রীমেন্টগী ট্রিটি অমা লৈহনবা তাই। লল্লোন-ঈতিক মখা তানা লিবরেলাইজ তৌনবা ঐখোয়না হোৎনরি' হায়না রোইসনা হায়খি।

'য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা ইন্দিয়ন অমেরিকানশিংগী তঙ্খায় অমদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রীশিং পায়নৈ হায়বসি খঙবদা ঐখোয়দা নুংঙাইবা পোকই। মদুনা ইন্দিয়ন অমেরিকানশিংগী তুংগী পুন্সি লৈবাক অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং মায় পাকপা ওইহল্লগনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, য়ু এসনা রুল ওফ লো, দিমোক্রেসি, ফোঙদোক্লিংবা ফোঙদোকপদা অপনবা লৈহন্দবা অমসুং থাজবদা অয়েৎপা পীদবগী মরু ওইখ্রবা ভেল্যুশিংদা পোলিসীশিং শেমগদবনি।

# কিম জোং নাম মীহাৎকী সসপেক্টশিং চেনবা থিংনবা মালেসিয়ানা বোর্দর চেকশিং কনখৎহনখ্রে




কুলা লম্পুর, মার্চ ০৩ :
নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং-উনগী লাপথোক্লখ্রবা পোকমিন্নদবা ময়াম্বগী মীহাৎকা মরী লৈনবা নোর্থ কোরিয়া মচাশিংনা চেন্থোকখিবা থিংনবা মালেসিয়ানা বোর্দর ক্রোসিং খুদিংমক্তা সিক্যুরিটি চেকশিং কনখৎহনখ্রে হায়না মালেসিয়াগী পুলিস চীফনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা প্রোসিক্যুটরশিংনা নুপী অনী - ইন্দোনেসিয়ন অমা অমসুং ভিয়েটনামিজ অমা ফেব্রুৱারী ১৩ দা পাঙথোকখিবা অসাসিনেসন অমদা কিম জোং-নামবু হাৎখিবগা মরী লৈননা চার্জ তৌখ্রে। মীহাৎ অদু সুপর টোক্সিক ভি এক্স নার্ভ এজেন্ট অমা শিজিন্নদুনা পাঙথোকখিবনি। ভিক্টিম অদু মিনিট খরগী মনুংদা শিখি।

সিক্যুরিটি কেমেরাগী ফুটেজদা কুলা লম্পুর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা নুপী অনীনা কিম জোং-নামদা এটেক তৌখিবগী শক্তম উরবসু পুলিসনা মীহাৎপগী ওপরেসন অদুদা চেন্নখিবা অতৈ মীওইশিংসু ফানবা হোৎনরি। মখোয়না থিরিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা নুপীশিংদুদা ভি এক্স সপ্লাই তৌখিবা মীওই য়াওরি। ভি এক্স অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পাক শন্না মীশি-মীনা থোকহনবা ঙম্বা খুৎলায় অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।


অসাসিনেসন অদু অরোন-অথুপকী থবক কয়া তৌগনবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়ানা রন তৌখিবনি হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিং অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ইন্টলিজেন্সনা থাজে।

মালেসিয়ন পুলিসনা কেস অদুগা মরী লৈননা ফাবা পাম্বা নোর্থ কোরিয়ন নিপান আইদেন্টিফাইদ তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা ফাবা ঙমখিবা রিজোং চোল কৌবা মীওই অমখক্তি ইভিদেন্স ৱাৎপদগী ইরাই নুমিৎতা রিলিজ তৌখি। মহাক চয়োল অমা কষ্টদিদা লৈরবা মতুংদা ময়ুম লৈবাক্তা থারগনি।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস খালিদ অবু বাকরনা ইরাই নুমিৎতা পার্ড মীশিংদা হায়খি মদুদি মখোয়গী মনুংদা মীওই অনীখক্তি হৌজিকসু মালেসিয়াদা লৈরি হায়না মখোয়না থাজে।

মহাক্না মখোয়গী মমিং পনখিদ্রবসু পুলিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, মখোয়না কুলা লম্পুরদা লৈবা নোর্থ কোরিয়ন এম্বেসিদা অনীশুবা সেক্রেটরি ওইবা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা হয়োং ক্বাং সোং, নোর্থ কোরিয়ন এয়র কোরয়োগী ষ্টাফর অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা কিম উক ইল অমসুং রি জি য়ু কৌবা মীওই অমবু ৱাহং পাউহং তৌবা পামই।

# বাংলাদেশনা কেফেদা এটেক পাঙথোকখিবশিংগী 'স্পিরিচুয়েল লিদর' ফাখ্রে



ধাকা, মার্চ ০৩ :
বাংলাদেশতা শাথিরবা এটেক কয়া পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা অথিংবা থমখ্রবা ইস্লামিক আউটফিট অমগী 'স্পিরিচুয়েল লিদর' মখোয়না ফারে হায়না বাংলাদেশ পুলিসনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইনভেষ্টিগেসন অমদা জামায়েটুল মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এম বি) গ্রুপকা লিঙ্ক লৈনরম্বদগী পুলিসনা মশাগী চহী ৬০ শুরবা মাওলানা অবুল কশম কৌবা ইস্লামিষ্ট আউটফিট অমগী স্পিরিচুয়েল লিদরনি হায়রিবা মীওই অদু শগোলশেল নুমিৎতা কেপিটেলদা লৈবা লোৎফম অমদগী ফাদুনা দিটেন তৌখিবনি।

ধাকা পুলিস কাউন্টর-টেররিজম য়ুনিটকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মোহিবুল ইস্লাম খাননা হায়খি, মীরৈবাক্কী হোষ্টেজ ১৮ য়াওনা মীওই ২২ হাৎখিবা হৌখিবা জুলাইদা ধাকাগী কেফে অমদা চথখিবা এটেক অদু কাশেমগী পাউতাক্তা যুম্ফম ওইরগা লাংখিবনি। 'মহাক জে এম বিগী স্পিরিচুয়েল লিদরনি' হায়না খাননা এ এফ পিদা হায়খি।

'ঐখোয়গী প্রাইমারি ইনভেষ্টিগেসনদা এক্সত্রিমিষ্ট খুদিংমক মহাক্কী পাউতাকশিংনা পূক্লিং ৱাখল ওইদুনা মখোয়গী থবকশিংদু পাঙথোক্কখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি' হায়না খাননা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি মদুদি, কাশেমনা কেফে এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ তামিন চৌধরিগা কয়ারক হন্না উনখি।

হন্দক চহী খরসিদা বাংলাদেশতা সেক্যুলর এক্টিভিষ্টশিং, ফোরেন্নরশিং অমসুং রিলিজ্যস মাইনোরিটিশিংদা এটেক কয়া পাঙথোকখি।

অল-কাইদা অমসুং আই এস আই এস গ্রুপনা বাংলাদেশতা চথখিবা এটেক কয়া মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিবা লৈরবসু প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনাগী সেক্যুলর গভর্ণমেন্টনা লোকেল এক্সিত্রিমিষ্টশিংদা মরাল শীখি।

কেফে এটেক অদুদগী বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইস্লামিষ্ট এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপশিংগী মথক্তা লৈবাক শিন-থুংনা ক্রেকদাউন অমা চথখিবগা লোয়ননা এক্সত্রিমিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা কয়া ফাগৎখ্রে।

জে এম বিগী টোপ লীদর কয়া পুলিসনা নোংমৈ কাপ্লবনি হায়না ফোঙদোকখিবা থৌদোক কয়াদা হাৎখ্রে। অমরোমদা রাইটস গ্রুপশিংনদি তশেংনা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোকশিং ওইখিব্রা হায়বগী মতাংদা চিংনবা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা কাউন্টর-টেররিজম পুলিস ওফিসর সনৱর হোশাইননা হায়খি মদুদি ইস্লামিক সেমিনারি অমা লুচিংলল্লবা মতুং কুম্মজা ১৯৯৮ দা কাশেমনা জে এম বিদা জোইন তৌখি।




## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### Bharat Sanchar Nigam Limited – BSNL Recruitment – 2710 Junior Telecom Officer (JTO) Vacancies – Last Date 06 April 2017

**BSNL Recruitment 2017**
Bharat Sanchar Nigam Limited (BSNL) invites application for the post of 2710 Junior Telecom Officer Telecom JTO(T) on Direct recruitment. Apply Online before 06 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 12 – 2 / 2016-Rectt.
**BSNL Job Details :**
Post Name : Junior Telecom Officer Telecom JTO(T)
No. of Vacancy : 2710 Posts
Pay Scale : Rs. 16400 -4050o/-
**Circle Wise Vacancies :**
Andaman & Nicobar : 13 Posts
Assam : 166 Posts
Bihar : 10 Posts
Chhattisgarh : 56 Posts
Gujarat : 260 Posts
Himachal Pradesh : 53 Posts
Jammu & Kashmir : 84 Posts
Jharkhand : 45 posts
Karnataka : 300 Posts
Kerala : 330 Posts
Maharashtra : 440 Posts
North East-I : 91 Posts
North East-II : 17 Posts
Northern Telecom Region NTR : 28 Posts
Odisha : 94 Posts
Punjab : 163 Posts
Tamil Nadu : 103 Posts
Uttar Pradesh (West) : 117 Posts
Urrtanchal : 10 Posts
West Bengal : 93 Posts
Chennai Telecom District : 37 Posts
**Eligibility Criteria for BSNL Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates must possess BE/ B.Tech. or equivalent in Telecom/Electronics/Radio/Computer/ Electrical/Information Technology/Instrumentation Engineering or M.Sc. (Electronics)/M.Sc.(Computer Science) AND are required to appear GATE exam 2017, opting one paper from selected four disciplines of GATE paper codes i.e. CS / EC / EE / IN.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 06.04.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 5 years, for OBC Candidates 3 years & For PWD Candidates 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on through VALID GATE SCORE-2017.
**Application Fee :** Candidates belonging to OC/OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 300/- for SC/ST candidates through Online by using Internet Banking, Credit Card, Debit Card Only.
**How to Apply BSNL Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the Website http://www.bsnl.co.in/ from 06.03.2017 to 06.04.2017 thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 06.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 06.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.externalbsnlexam.com/documents/GATE_JTODR_Notification.pdf
**Apply Online :** http://www.externalbsnlexam.com/

### The New India Assurance Company Limited – NIACL Recruitment – 988 Assistants, Faculty Member Vacancy – Last Date 29 March 2017

**NIACL Recruitment 2017**
The New India Assurance Co. Limited (NIACL) invites Application for the post of 04 Faculty Member NIA, Pune. Apply before 06 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NIACL Job Details :**
Post Name : Faculty Member
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 100000/- (Per Month)
**Eligible Criteria :**
Educational Qualification : Graduate / post graduate in any general stream, Management, Engineering, Law, Veterinary Science, Agriculture, and Horticulture.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 62 years as on 06.02.2017

**Job Location : Pune (Maharashtra)**

**Selection Process :** Selection will be based on Interview.
**How to Apply :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with all necessary documents sent by email to recruitment-facultycon@niapune.org.in and or by post to "Mrs. Anita Date, Executive secretary to Director, National Insurance Academy, 25, Balewadi, Baner Road, NIA p.o. pune – 411045", on or before 06.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission Of Application form : 06.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://www.newindia.co.in/downloads/NIA%20Pune%20Faculty%20Feb%202017.PDF

### NIACL Recruitment – 984 Assistants Vacancies – Last Date 29 March 2017

The New India Assurance Co. Limited (NIACL) invites Application for the post of 984 Assistants in class III cadre. Apply Online before 29 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NIACL Job Details :**
Post Name : Assistants
No of Vacancy : 984 Posts
Pay Scale : Rs. 14435-40080/-
**Eligible Criteria :**
Educational Qualification : Graduate from a recognised University or any equivalent and Knowledge of Regional Language of the State of Recruitment.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 30.06.2016

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Interview.
**How to Apply :** Interested Candidates may apply Online through the website http://newindia.co.in/ from 06.03.2017 to 29.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 06.03.2017
Last Date for Submission Of Online Application : 29.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.sarkarinaukrisarch.in/wp-content/uploads/2016/10/NICL.jpg
**Apply Online :** http://www.newindia.co.in/recruitment-notice3.aspx